

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SUNDAY, NOVEMBER 18, 2018 PAGE 7


*চাইনিজ তাইপৈদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ টেনিস টুর্নামেন্টকী দবলসতা ফাইনেল চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী পেয়র অনকিতা রাইনা অমদি করমান কোর*

*বেলারসকী সিটি মিনস্কতা চথখিবা আইটিটিএফ চেলেঞ্জদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌরবা ইন্দিয়াগী পেদ্দলর মানভ থাক্কর*

## ইন্দিয়াগী সট্টলর লক্ষ্য সেন ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র সট্টলর লক্ষ্য সেন*

*মাক্রাম, নবেম্বর ১৭ঃ*
কানাদানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি মাক্রামদা চথরিবা বেদমিন্টন জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সট্টলর লক্ষ্য সেন নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

বেদমিন্টন জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা মালেসিয়াগী এদিল সোলেহ আলি সাদিকিনবু ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ষ্ট্রেট গেম ২১–৮, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসর্নগা শান্নরগনি।

থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসর্ননা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১২শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী এলভিন য়ুলিয়ান্টোবু ২১–১৪, ২১–১৭ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী লি সিফেং অমসুং জপানগী কোদাই নারাওকা শান্নরগনি।

চাইনাগী লি সিফেংনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা আয়রলেন্দগী নহাট গুয়েনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমামায়োক্নরবা মতুং ১৯–২১, ২১–১০, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি। অদুগা জপানগী কদাই নারাওকানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মালেসিয়াগী এনজি ঝে য়োংবু ২১–১৯, ২১–৮ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী ৱাং ঝিয়ি অমসুং ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই মালেসিয়াগী গোহ জিন ৱৈ শান্নরগনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদনা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী ৱৈ য়াজিননা ১৩শুবা সিদেদ দেনমার্ককী লাইন খৃষ্টোফরসেনগা শান্নরগনি।

## সেকেন্দ দিভিজন লীগ দিসেম্বর থাদগী হৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৭ঃ*
ইন্দিয়াদা ফুটবোল মশান্না চাওখৎনবগীদমক পায়খৎলিবা খোঙথাং অমগী মনুং চন্না সেকেন্দ দিভিজন লীগ দিসেম্বর থাদগী হৌরগনি হায়না এআইএফএফকী ইকজিক্যুটিভ কমিতিনা ফোঙদোকখ্রে।

এআইএফএফকী ভাইস প্রসিদেন্ট সুব্রটা দত্তনা চিয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা মিটিং অদুদা এআইএফএফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাস, ভাইস প্রসিদেন্টশিং কেএমআই মাথর অমসুং সুভাস চোপ্রাগা লোয়ননা অতোপ্পা মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা হন্দক্তা উরিষা গভর্নমেন্টকা বোদি অসিগা এমওয়ু অমা সাইন তৌনখিবা অদুগীদমক্তসু অতোপ্পা মেম্বরশিংদা থাগৎ ৱাহৈ থমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এআইএফএফকী ইকজিক্যুটিভ কমিতিগী মিটিং অদুনা হন্দক্তা ম্যান্মারনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ২০২০ এএফসি ওলিম্পিক ক্বালিফায়র মায় পাক্নুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখিবা অদুগীদমক টিম অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া লাথর প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, এমসি মোরি কোমগী অহানবা বাওট ঙসি থিন্নরগনি



*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৭ঃ*
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া লাথর মায় পাক্নুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, ৫রক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী এমসি মোরি কোমগী অহানবা বাওট হয়েং থিন্নরগনি।

ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫৭ গী ফিদরৱেঠ কেটেগোরিগী অনীশুবা রাউন্দগী বাওটতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া লাথরনা মোরোকোগী বোক্সর টৌজানি দোআবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনল য়ৌবা ঙমখি।

বাওট অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া লাথরনা মোরোকোগী টৌজানী দোআবু রাউন্দ খুদিংমক্তা হেন্দুনা চৎখিবদগী বাওট অদু কন্দক্ত তৌখিবা জজশিংনা অমত্তা ওইনা মহাক্কী ফেভরদা পোইন্ট পীখিবদগী বাওট অদু য়াম্না চাওবা মায় পাকপা ঙমদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২১ শুরবী ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া লাথর চথরিবা ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড মেডল ফংগনি হায়না পানরিবা বোক্সরনি। কুমজা ২০১৬ গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ইদিসন্দা মহাক সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

ব্রুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবগী বোক্সর ১০ গী মমিং লাওথোকখিবদা লুচিংখিবী কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী মণিপুরগী বোক্সর এম মেরি কোম মহাক্কী অহানবা বাওট হয়েং থিন্নরগনি। মহাক অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং নীনিশুবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কেজি ৬০গী অনীশুবা রাউন্দগী বাওট অমদা মণিপুরগী বোক্সর সরিতা দেবীনা স্বিটজরলেন্দগী সান্দ্রা দাইনাবু য়াম্না কোম্না থোইদুনা মহাকসু কেটেগোরি অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা কেজি ৫৪ গী বাওট অমদা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিসা মোননা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবী য়ুএসএগী বোক্সর খৃষ্টিনা ক্রুজবু রাউন্দ খুদিংমক্তা পোইন্ট হেন্দুনা মায় পাকখিবদগী মহাকসু প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

## এটিপি ফাইনেলসতা জর্মনিগী জ্বেরেভ সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে



*লন্দন, নবেম্বর ১৭ঃ*
ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা এটিপি ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ মায় পাক্নুনা জর্মনিগী শান্নরোই আলেকজেন্দর জ্বেরেভ সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে।

এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ২শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী গেম ৫–৫ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপা থংনবা গেম অনী জর্মনিগী জ্বেরেভনা লৌবা হানখিবদগী সেট অদু ৭–৫ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতসু জ্বেরেভ অমসুং ফেদররগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখিবদগী সেট অদু টাই ব্রেক য়ৌরকখি। টাই ব্রেক্তা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অমসুং ৪শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসন শান্নরগনি।

এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোকনা ৪শুবা সিদেদ পেয়র বৃটেনগী জেমী মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সোরেজবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৩–৬, ৬–৪, ১০–৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

দবলসকী অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ পেয়র কলম্বীয়াগী জুৱান সেবাষ্টিয়ান কবাল অমসুং রোবার্ট ফারাহনা ৮শুবা সিদেদ পেয়র ফ্রান্সকী নিকোলাস মাহুট অমসুং পিয়েরি হুগেস হর্বর্টকা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী গুন্নেশ্বারননা বেঙ্গালুরু ওপনগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১৭ঃ*
কর্নাতকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চথরকবা বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা সাকেট মাইনেসি থোইদুনা লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি পি গুন্নেশ্বারননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা কানাদাগী ব্রেদেন স্কনুরবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সাকেট মাইনেনিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী এলেকসান্দর নেদোভিয়েসোভপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা ৪–৬, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা সাকেট মাইনেনিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতসু গুন্নেশ্বারননা মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা তানা চথবা ঙমখিবদগী মাইনেনিবু ৬–২ দা থোইদুনা সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

## নেমারগী পেনাল্টিনা ব্রাজিলনা উরুগ্বেবু ১–০ দা থোইখ্রে

*লন্দন, নবেম্বর ১৭ঃ*
ব্রাজিল অমসুং উরুগ্বেনা ঙসি লন্দনদা লৈবা ইমিরেটস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা নেমারগী পেনাল্টিগী পাঞ্জলনা ব্রাজিলনা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক পাঞ্জল লৈনখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৭৬শুবা মিনটতা ব্রাজিলনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা নেমারনা পাঞ্জল ওষ্লোক্নুনা মেটচ অদু ১–০ দা মায় পাকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা আর্জেন্টিনানা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

## নেসন্স লীগ ফুটবোলদা নেদরলেন্দসনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ফ্রান্সপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্লোভাকিয়া অমসুং দেনমার্কসু মায় পাকখ্রে



*নেসন্স লীগকী ফ্রান্সকা শান্নখিবা মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনখিবদা হরাওবা*

*অমষ্টরদাম, নবেম্বর ১৭ঃ*
য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথরিবা নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা নেদরলেন্দসনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ফ্রান্সপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। স্লোভাকিয়া অমসুং দেনমার্কসু মখোয়–মখোয়গী লীগ মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ এ গ্রুপ ৱানগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ফ্রান্সপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী মিনট ৪০ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জিওরজিনিও ৱিজনাল্ডমনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারবা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লাকখি। মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী ৩ শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা মেম্ফিস দেপেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা ফ্রান্সপু মায়থিবা পীরমখি।

নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ বি গ্রুপ ৱানগী মেটচ অমদা স্লোভাকিয়ানা য়ুক্রেনবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

স্লোভাকিয়াগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা অলবার্ট রুসনেকনা অহানবা অমসুং ২৬শুবা মিনটতা টিমমেট জুরাজ কুক্কানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা য়ুক্রেনগী ২–০ দা মাঙজিল থারবা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা মেটচকী ৪৭শুবা মিনটতা য়ুক্রেনগী শান্নরোই য়েভহেনি কোনোপ্লিয়ানকানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫২ অমসুং ৬১শুবা মিনটতা স্লোভাকিয়াগী শান্নরোই এদাম জ্রেলাক অমসুং রোবার্ট মেকনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা মেটচ অদু স্লোভাকিয়ানা য়ুক্রেনগী পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ বি গ্রুপ ফোরগী মেটচ অমদা দেনমার্কনা ৱেলসপু পাঞ্জল ২–১ দা থোইবা ঙমখি। ৱেল্সকী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী অদু শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা নিকোলাই জোরগেসেননা অহানবা অমসুং ৮৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই মার্টিন ব্রাইথৱাইটেনা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ৱেল্সকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা জেরেথ বেলনা চনবা ঙমখি।

লীগ সি গ্রুপ থ্রিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সাইপ্রস অমসুং বলগেরিয়া পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। অহানবা পাঞ্জল সাইপ্রসকী শান্নরোই পানায়িওটিস জাচারিয়ৌনা ২৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। বলগেরিয়াগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদুনা শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা নিকোলে দিমিত্রোভনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা চনখি।

নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ সি গ্রুপ থ্রিগী মেটচ অমদা স্লোভেনিয়া অমসুং নোরৱে পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

## নুপী অমসুং নুপাগী নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমসুং জপানগী কেন্টো মোমোটা হোং কোং ওপনগী সেমি ফাইনেলদা লৈহৌরে



*নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল য়ৌখ্রবা জপানগী নিসিমোটো (ওই) অমদি ওকুহারা*

*কোলুন, নবেম্বর ১৭ঃ*
হোং কোংগী সিটি কোলুনদা চথরিবা য়ুএস দোল্লর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টনদা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপী অমসুং নুপাগী নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমসুং জপানগী কেন্টো মোমোটা সেমি ফাইনেলদা লৈহৌরে।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারানা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংবু অহানবা গেম ২১–১২ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা গেমসু পোইন্ট ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ টাই ঝু য়িং শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী জপানগী ওকুহারা ফাইনেল চঙখি।

জপানগী ওকুহারানা ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনগা শান্নরগনি। থাইলেন্দগী ইন্টানোননা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু ১০–২১, ২১–১১, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোনা সিজন অসিদা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোটাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮–২১, ২১–১৬, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী কেন্টা নিসিমোটোগা শান্নরগনি।

জপানগী কেন্টা নিসিমোটোনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক হোং কোংগী শান্নরোই লি চিয়ুক য়িউবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৮, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী নম্বর ৱান সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী ফর্নাল্ডি গিদিওন অমসুং সুকামুলজোনা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মোহমদ আহসান অমসুং হেন্দ্রা সেটিয়াৱানবু ২১–১৪, ১৮–২১, ২১–৯ দা থোইরল্লগা ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী টাকেসি কামুরা অমসুং কৈগো সোনোদাগা শান্নরোইনি।

জপানগী পেয়র কামুরা অমসুং সোনোদানা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র ফাজার অলফিয়ান অমসুং মুহমদ রিয়ানবু ২৪–২২, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সায়াকা হিরোটানা ৭শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ কোরিয়াগী লি সো হি অমসুং সিন সিয়ুং চানগা শান্নরগনি।

জপানগী পেয়র অসিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমসুং এপ্রিয়ানি রাহায়ুবু ২০–২২, ২১–৯, ২১–১২ দা থোরম্বনি। অদুগা সাউথ কোরিয়াগী পেয়রনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র সিহো টানাকা অমসুং কোহারু য়োনেমোটোবু ২১–১৬, ২১–১২ দা থোরমখি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ চাইনাগী ৱাং য়িলু অমসুং হুৱাং য়াকিওংনা ৭শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র য়ুটা ৱাটানবে অমসুং এরিসা হিগাসিনোগা শান্নরগনি।

চাইনাগী পেয়র অসিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা থাইলেন্দগী পুৱাভারানুক্রো অমসুং টেরাটানাচাইবু ২১–১৭, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি। অদুগা জপানগী পেয়রনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র লি য়াং অমসুং সু য়া চিংবু ২১–১১, ২১–১০ দা থোইরমখি।